HDFC BANK
We understand your world

এলোটমেন্টকী তাং ______________ এল.সি কোদ: ____________ এল.জি কোদ: ____________

# জোইন্ট হাইররগী ওইনা লোক্কর ৱাইবগী এগ্রিমেন্ট

| | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| ব্রাঞ্চ মমিং | | ব্রাঞ্চ কোদ | | লোক্করগী সিরিজ অমসুং নম্বর | | কি নম্বর: | অহানবা হাইররগী ফোটোগ্রাফ | অনিশুবা হাইররগী ফোটোগ্রাফ | অহুমশুবা হাইররগী ফোটোগ্রাফ |
| লোক্করগী সাইজ | | ব্রাঞ্চ সিটিগী কেটেগোরি | | ওপরেসনগী মওং: | | | | | |
| রেন্ট রিকভরিগী একাউন্ট | | কষ্টমর আই.দি | | রেভর % : | মেনেজ তৌরবা কষ্টমর | ☐ অহানবা লোক্কর<br>☐ মথংগী লোক্কর | | | |
| রেক রেট | | লৌগদবা রেন্ট | | রেভরগী মরম: | | | | | |

ঐচ.দি.এফ.সি বেঙ্ক লিমিটেদ, ________________________ (ব্রাঞ্চ মমিং) (মতুংতাবদা ''দি বেঙ্ক'' হায়না কৌরগদবা)না ________________________ দা ৱাইহন্দুনা শান্দোক্লে।

(হাইরর/শিংগী মমিং অমসুং লৈফম)

________________________ (মতুংতাবদা ''দি হাইরর/শিং'' হায়না কৌরগদবা), অমসুং হাইরর/শিংনা, মরি লৈনবা মতম মতমগী ওইবা বেঙ্ককী নিয়মশিং অমসুং মসিগী মনিংদা পল্লিবা টর্ম অমসুং কন্দিসনশিংগী মখাপোন্না বেঙ্ককী লোক্কর নম্বর __________ (''লোক্কর'') অসি ঙসিগী তাংদগী পারগা চহিগী ওইবা লুপা ____________ গী রেন্ট অমদা, মফমসিদা পল্লিবা টর্ম অমসুং কন্দিসনশিংগী মতুংইন্না হোংদোক-হোংজিন তৌদ্রিফাউবা ৱাইবা হায়না য়ান্নরে। হাইরর/শিংনা বেঙ্কপু লোক্কর রেন্ট লৌনবগীদমক্তা এদভান্স ওইনা চহি খুদিংগী মথক্তা পল্লিবা একাউন্ট অসিদগী দেবিট তৌবগী অয়াবা পীরে। মসিগী মতুংদা হাইরর/শিংনা বেঙ্ককী দিসক্রিসন্দা বেঙ্কনা মতম মতমগী ওইনা লেপ্পা রেটশিংদা অসিগুম্বা মতমগী অমসুং অসিগুম্বা টর্ম অমসুং কন্দিসনশিংগী মখাপোন্না এদভান্স ওইনা রেন্ট পীদুনা শিজিন্নবা য়াগনি।

নোমিনেসন: ☐ য়েস (করিগুম্বা য়েস ওইরবদি চানবিদুনা মখাগী নোমিনেসনগী অকুপ্পা মরোলশিং অসি মেন্সিনবিয়ু) / করিগুম্বা এপ্লিকেবল ওইদ্রবদি চানবিদুনা লৌথোকপিয়ু।

## জোইন্ট হাইরর(শিং)গী ওইবা নোমিনেসন ফোর্মেট (ফোর্ম এস.এল 1A) [ভাইদ পেরা 1.5.2 (i) (a)]

বেঙ্কিং রিগুলেসন এক্ট, 1949গী সেক্সন 45ZE, অমসুং বেঙ্কিং কম্পনিজ (নোমিনেসন) রুলশিং, 1985গী রুল 4(2)গী মখাদা লোক্করগা মরি লৈননা জোইন্ট হাইররশিংনা নোমিনেসন খনবা।

ঐখোয়না, ________________________

(মমিং অমসুং লৈফম)

________________________

(মমিং অমসুং লৈফম)

ঐখোয়গী মরক্তগী অমা নত্তগা অমদগী হেন্না শিবগী থৌদোক লৈরক্লবদি মখাগী মীওই অসিবু

________________________ না

(লোক্কর লৈরিবা ব্রাঞ্চ/ওফিসকী মমিং অমসুং লৈফম)

লোক্কর শিজিন্নবগী অয়াবা অমসুং মখাদা পল্লিবা লোক্করদা য়াউরিবা পুম্নমক, ঐখোয়গী মরক্তগী হিংহৌরিবা(শিং)গা পুন্না লৌথোকমিন্নবা য়াবগী মনিংতম্বা পীবীনবা নোমিনেট তৌজরি।

| নোমিনি(শিং)গী অকুপ্পা মরোলশিং | | | |
|---|---|---|---|
| মমিং, লৈফম অমসুং কন্টেক্ট নম্বর | হাইররগা থোক্নবা মরি | মশাগী চহি | নোমিনিগী পোকপগী তাং (করিগুম্বা মাইনর ওইরবদি) |
| | | | |
| | | | |

গার্জিয়ানগী অকুপ্পা মরোল (করিগুম্বা নোমিনি অদু মাইনর ওইরবদি)

________________________

(মমিং অমসুং লৈফম)

শাক্ষিশিংগী মমিং(শিং), লৈফম(শিং) অমসুং খুৎয়েক(শিং)@:

@খুবীগী মমি/ভর্নাকুলর দিক্লারেসনগী থৌওং লৈবখক্তদা চৎনগনি

নোমিনেসন: ☐ নত্তে, ঐনা নোমিনেসন অমা থম্বা পামদে হায়না ঐনা লাউথোকচরি।

হাইরর/শিং ওইরিবা ঐনা/ঐখোয়না য়ান্ন-চেগী মনিংদা ইরিবা টর্ম অমসুং কন্দিসনশিং অসি পারে অমসুং খংলে অমদি মসিবু ইনগনি অমসুং ঙাক্কনি হায়না হায়জরি অমসুং কনফার্ম তৌজরি। বেঙ্কনা লোক্কর নম্বর ____________ গী কি নম্বর ____________ অসি সিল তৌরবা কন্দিসন্দা হাইরর/শিংদা খুৎশিন্নরে, অমদি মসিমক হাইরর/শিংনা ফংলে হায়না লাউথোক্লে। এগ্রিমেন্ট অসিদা য়াউরিবশিং অমসুং মসিগী মনিংথংবদা ইরিবা টর্ম অমসুং কন্দিসনশিং অমসুং রুলশিং অসি হাইরর/শিংনা পারে অমসুং মুন্না খংলে অমদি চেনিংদা পল্লিবা ক্লোজ খুদিংমক য়ারে অমসুং মসিবু ঙাক্কনি হায়নসু য়ান্নরে। এগ্রিমেন্ট অমসুং মসিগী মনিংদা ইরিবা টর্ম অমসুং কন্দিসনশিংগী কোপি অমা হাইরর/শিংদসু শিন্নরে।

| এপ্লিকান্টশিং | মমিং | কষ্টমর আই.দি | খুৎয়েক |
|---|---|---|---|
| অহানবা হোল্ডর | | | |
| অনিশুবা হোল্ডর | | | |
| অহুমশুবা হোল্ডর | | | |

খংজিনবিগদবা: চানবিদুনা ফোর্ম অসিদা খুৎয়েক পিবিদ্রিঙৈদা মরি লৈনবা সেক্সন পুম্নমক মুন্না খংজিনবিয়ু।

ঐচ.দি.এফ.সি বেঙ্ক লিমিটেদকী মাইকৈদগী (ওথোরাইজ সিগ্নেটরি) ________________________

তাং: ______________ মফম: ______________

# টর্ম অমসুং কন্দিসনশিং

1. সেফ দিপোজিট ভোল্ট অদু নোংমাইজিং অমসুং বেঙ্ককী ছুটি নুমিৎখক নত্তনা অতৈ নুমিৎ খুদিংগী ওফিসকী পুংফমদা হাংদুনা লৈগনি।
2. বেঙ্কনা লোক্কর শিজিন্নবগীদমক্তা মথক্তা পীরিবা মতমগী পুংফম অসি হোংদোক-হোংজিন তৌবগী মনিংতম্বা লৈগনি অমসুং চুন্নবা কন্দিসনশিং হাপচিনবসু য়াগনি, অমদি হাইরর/শিংদা মসিগী নোটিস পীগনি অমসুং হাইরর/শিংনা মসি তঙাইফদনা ইনবা তাই।
3. লোক্কর এক্সেস তৌবগী পাৱৈশিং অমসুং হাইরর/শিং নত্রগা মহাক্কী/মখোয়গী এজেন্টকী (করিগুম্বা খল্লবদি) আইদেন্টিফিকেসন তৌবগা মরি লৈননা মতম মতমগী ওইনা বেঙ্কনা খংহল্লিবা রুল অমসুং রিগুলেসন পুম্নমক হাইরর/শিংনা ইনগদবনি।
4. জোইন্ট হাইররশিংগী মরক্তা করিগুম্বা য়েৎনবা লৈরক্লবদি, লোক্কর হাইরর/শিংগী মরক্তগী অমহেক্তনা লোক্করগী ওপরেসন লেপহন্নবা রিক্বেষ্ট তৌবা য়াই, অদুমওইনমক ওপরেটিং ইনষ্ট্রক্সনশিং হোংদোক-হোংজিন তৌবগী ওইনদি হাইরর/শিং পুম্নমক্না খুৎয়েক পীরবা রিক্বেষ্ট অদু বেঙ্কতা পীশিনবা তাই।
5. করিগুম্বা হাইরর/শিংনা লোক্কর অদুবু ওপরেট তৌনবা ওথোরাইজ এজেন্ট অমা খনবা পাম্লবদি হাইরর/শিংনা অসিগুম্বা এজেন্ট অসিগী ফেবরদা পাবর ওফ এটোর্নি অমা নত্রগা হিরম অসিগীদমক্তা বেঙ্কনা মথৌ তাগদবা অতৈ দোক্যুমেন্টশিং পীবা মথৌ তাই অমসুং মতম মতমগী ওইনা শেম্লকপা রুল অমসুং রিগুলেসনশিং অমসুং কন্দিসনশিং এজেন্ট অদুনা ইনবা তাই। অদুমওইনমক হায়রিবা এজেন্ট অসিনা লোক্কর এক্সেস তৌবা য়াহনবদগী থোরকপা লাইএবিলিটি খুদিংমক্কী দায়ত্বদি বেঙ্কনা লৌরোই অমসুং অসিগুম্বা এজেন্টসিনা লোক্কর শিজিন্নবদগী বেঙ্কতা থোকহনবা ক্লেম অমসুং দিমান্দ পুম্নমক অদু হাইরর/শিংনা বেঙ্কতা হজ্জিনগনি অমসুং বেঙ্কবু ইন্দেম্নিফাইদ ওইনা অমসুং মতম পুম্নমক্তা শাফনা থমগনি। বেঙ্কনা মসিগী দিস্ক্রিসন্দা অসিগুম্বা এজেন্টপু লোক্কর শিজিন্নহন্দবসু ঙম্মী।
6. জোইন্ট হাইরর/শিং অদু শিখিবা থোক্লবদি, মখোয়গী মরক্তগী হিংহৌরিবশিং/লিগেল হেয়রশিং/নোমিনিশিং অদুনা লোক্কর অদু ওপরেট তৌবগী হক লৈগনি, হিংহৌরিবা/শিং অদুনা, বেঙ্কনা লেপ্পা টর্ম অমসুং কন্দিসনশিংগী মতুংইন্না মহাক্কী/মখোয়গী মমিং/শিংদা মখা তানা ৱাইবা য়াই নত্রগা লোক্কর অদুদা য়াউরিবশিংদু লৌথোনা অমদি শোৈজে অদু বেঙ্কতা শিন্নদুনা লোক্কর অদু বেঙ্কতা সরেন্দর তৌবসু য়াই। হিংহৌরিবশিং/নোমিনিশিং/লিগেল হেয়রশিং নত্তনা অতৈ মীওই অমত্তনা তৌরকপা ক্লেমশিং লাক্লবদি বেঙ্কনা মদুগী দায়ত্ব ওইরোই। করিগুম্বা লোক্করদা থম্লিবশিং অদু ফংনবগীদমক্তা বেঙ্কনা পীরিবা নোমিনেসন রুলশিংগী মখাদা হাইরর/শিংনা মীওই/শিং অমবু নোমিনেট তৌরবদি নোমিনেসন ইনষ্ট্রক্সনশিংগী মতুংইন্না লোক্করদা য়াউরিবশিং অদু পীগনি।
7. মথৌ তারকপা মতমদা বেঙ্কনা লোক্কর অদুগী ফিভম অমসুং মওং-মতৌ য়েংশিন্দুনা শেমজিন-শাজিনগদবা লৈব্রা অমদি মদু অপিবা টর্ম অমসুং কন্দিসনশিংগী মতুংইন্না শিজিন্নরিব্রা হায়বদু য়েংশিন্নবগীদমক্তা লোক্কর অদুবু এক্সেস তৌনবগী অয়াবা হাইররশিংনা পীবা তাই। অদুবু বেঙ্কনা লোক্কর মনুংদা য়াউরিবশিংদুগী মতাংদগী নোলেজ লৈরোই নত্রগা মদুগী দায়ত্বসু ওইরোই।
8. য়ানখিবা রেন্টেল পুম্নমক অদু মথংগী লাক্কদৌরিবা পেরিওদকী ওইনা মমাংগী পেরিওদ অদুগী অরোইবা নুমিত্তা নত্রগা মসিগী মমাংদা মাংজৌননা শোয়দনা পীগদবনি, নত্রবদি বেঙ্কনা লোক্কর শিজিন্নবা য়াহন্দবগী হক লৈ। দিমান্দ তৌরিবা নত্রগা তৌদবা নত্রগা হেনগৎলবা রেন্ট অদু করিগুম্বা পীরক্রবদি, রেন্ট তোল্লবা অমসুং বেঙ্কতা পীফম থোক্লবদি হাইরর/শিংনা মহাক্কী/মখোয়গী একাউন্টতগী বেঙ্কনা লৌথোকপা য়াই হায়না মমাংথক্তা ওথোরাইজ তৌখ্রবা মরম্না বেঙ্কনা (অসুম্না তৌগদবনি হায়বগী তঙাইফদবদি লৈতে) অসিগুম্বা রেন্ট অদু বেঙ্কতা হাংলিবা হাইররগী একাউন্টতগী হাইরর/শিং অদুদা মখাতানা পাউ পীবা তৌদনা লৌথোকপা য়াই। রেন্টকী এরিয়ারশিং অদু খুদক্তা বেঙ্কতা চহিদা 14%গী শেন্দোইগা লোইননা পেমেন্ট অদু মপুংফাদ্রিবা ফাউবা পীবা তাই।
9. লোক্করগী রেন্ট অদুদা মতম মতমগী এপ্লিকেবল ওইবা টেক্স লৌগনি।
10. বেঙ্কনা মসিগী অনিংবগী মতুংইন্না রেন্ট অদু রিভাইস তৌবা / হেনগৎপা হায়বসি মতম পুম্বগী ওইবা হক ওইগনি অমসুং বেঙ্কনা লেপ্লকপা তাংদুদগী রেন্ট অদু পীবা হায়বসি হাইরর/শিংগী তৌফম থোকপা ওইগনি।
11. জোইন্ট হাইরর লোইনমক্তা পুন্না মখোয়না ৱাইরিবা লোক্করগী কষ্টমর কি অদু পীগনি। কি (শোৈজে) অসি মতম পুম্নমক্তা বেঙ্ককী প্রোপর্টি ওইদুনা লেংদনা লৈগনি। মাষ্টর কি অদুদি মতম পুম্নমক্তা বেঙ্কতা লৈগনি। কি অমখক্না লোক্কর অদু হাংবা য়ারোই অমসুং কি অনিমক্না হাংবদি য়াগনি হায়বসি হাইরর/শিংনা খংগদবনি। অমদি লোক্কর অদু লোন্সিন্নবগীদমক্তদি মাষ্টর কি অদু মথৌ তারোই। হাইরর/শিংনা লোক্কর অদু কষ্টমর কিখক্তনা ওপরেট তৌগদবনি অমসুং বেঙ্কনা পীরিবা কষ্টমর কি অদু নত্তবা অতৈ অমত্তনা ওপরেট তৌবগী অয়াবা পীদে।
12. করিগুম্বা হাইরর/শিংনা কষ্টমর কি অদু মাংহনখ্রবদি, মখোয়না থিহ্বা তৌদনা কি মাংখিবগী পাউ অদু অইবা ওইনা বেঙ্কতা পীগদবনি অমসুং এফ.আই.আর পুলিস কমপ্লেন্ট একনোলেজমেন্ট অদুগা কোন্ননা ইন্দেম্নিটি অমা পীরবা মতুংদা হাইরর/শিংগী অইবা রিক্বেষ্ট অদু য়েংদুনা হাইরর/শিংদা অনৌবা কি অমা ইসু তৌবা য়াই। ব্রেক ওপন প্রোসেসকীদমক্তা হাইরর পুম্নমক লোক্কর ব্রাঞ্চতা লাকপা তাই। লোক্কর অদু হাংদোকপগী/থুগাইদুনা হাংদোকপগী, মাংখিবা কিগী মহুৎ শিন্দোকপগী, অমদি লোক অদু শিন্দোকপগী অচংবা শেনফম পুম্নমক হাইরর/শিংনা পীবা তাই। লোক্কর, লোক নত্রগা কিগী তৌগদবা রিপিয়ার পুম্নমক অদু বেঙ্কনা খনবা শিন্মীশিংতনা অখন্ননা পাংথোক্কনি।
13. হাইরর / শিংবু মহাক্কী / মখোয়গী লোক্করগী কষ্টমর কি অদু শাফগদবা মফম অমদা থম্নবা অমসুং মহাক্কী/মখোয়গী লোক্কর নম্বর অমসুং/নত্রগা মখোয়গী পাসৱার্দ (করিগুম্বা পীরগদি) অদু কনাগুম্বা মীওই অতৈদা তাকথোক্তনবা অমসুং কষ্টমর কি অদু মহাক্না/মখোয়না ওথোরাইজ তৌবা এজেন্ট (করিগুম্বা খল্লগদি) অদুখক্তদা নত্তনা অতৈ কনামত্তদা শিন্নদনবগী চেক্সিন-ৱা পী। হাইরর/শিংনা কষ্টমর কি ফংবগী ফংলে হায়না একনোলেজ তৌগনি অমসুং এগ্রিমেন্ট অসি টর্মিনেসন তৌবা মতমদা মদু বেঙ্কতা সরেন্দর তৌগনি।
14. লোক্কর অদু সরেন্দর তৌনবগীদমক্তা হাইরর পুম্নমক্না লোক্কর ব্রাঞ্চতা লাকপা মথৌ তাই।
15. হাইরর/শিংনা লোক্করদা রাইট ওফ প্রোপর্টি লৈরোই অমসুং অপিবা টর্ম অমসুং কন্দিসনশিংগী মতুংইন্না এগ্রিমেন্ট অসি মখা চথরিঙৈগী মতমদা য়ুজর অমগী অমসুং মসিবু এক্সেস তৌনবগী অখন্নবা রাইট অমখক্তি লৈগনি। হাইরর/শিংনা লোক্কর নত্রগা মদুগী শরুক অমত্তা শিন্নবা, ত্রান্সফর তৌবা নত্রগা শান্দোকপা য়ারোই, অমদি মদুবু দোক্যুমেন্টশিং, লিক-কোনশিং নত্রগা অতৈ ভেল্যুএবলশিং থম্বগী নত্তবা অতৈ হিরম অমত্তদা শিজিন্নবা য়ারোই, অমদি পোকখাইগনবা নত্রগা মাং-তাক্লিংঙাই ওইবা নত্রগা ওফেন্সিভ ওইবা মখলগী নত্রগা বেঙ্ককী মীৎয়েংদা খুদোংচাদবা ওইগদবা মখলগী প্রোপর্টি অমহেক্তা থম্নবগী ওইনা শিজিন্নরোইদবনি। প্রোভিজন অসিগী ওন্ন-তৈনবদা হাইরর/শিংনা লোক্কর শিজিন্নবদগী বেঙ্কনা তৌরকপা দিমান্দ, ক্লেম, মাংখিবা, অকাই-অতোই, তিংখিবা শেনফম অমসুং চাদিংশিং অদু হাইরর/শিংনা হজ্জিনবা তাই। মথক্কী কন্দিসন অসি ইল্লিব্রা হায়বদু খংদোক্লবগীদমক্তা বেঙ্কনা মথৌ তারকপা খুদিংগী হাইররনা বেঙ্কপু, কন্টেন্টশিংবু য়েংশিনবগী অয়াবা পীবা তাই।
16. লোক্কর শিজিন্নবগী ওইনা হাইরর/শিংগী লৈরিবা হক পুম্নমক্কী মায়োক্তা বেঙ্কতা লৈরম্বা য়াবা অতৈ রিমেদিশিংদা মীচং-মীখায় নাইবা তৌদনা, বেঙ্কগী সোল ওপসন্দা, দিমান্দ তৌরবসু নত্রগা তৌদ্রবসু অমসুং অতৈ পীফম থোকপা দ্যুশিং পীদ্রবা, নত্রগা হাইরর/শিংনা য়ান্নখিবা কন্দিসন অমহেক্তা থুগাইরবদি, হাইরর/শিংগী অকোনবা লৈখিবা এদ্রেস অদুদা রেজিষ্টর্দ পোষ্টকী খুথাংদা থাখিবা নুমিৎ কুনথ্রানিগী মাংজৌনবা রিটর্ন নোটিস অদুগী মতুংদদি বেঙ্কনা লোক্কর অদু থুগাইদুনা হাংদোকপা অমসুং মদুদা লৈবা পোৎ-চৈ পুম্নমক নত্রগা খরবু পব্লিক ওক্সন নত্রগা প্রাইভেট ত্রিটি তৌদুনা য়োল্লোকপা অমসুং রেন্টকী এরিয়ার অমসুং/নত্রগা মথক্কীসিগা মরি লৈননা চংখিবা অতৈ চার্জশিং, চাদিংশিং অদু, পোৎ-চৈ য়োনবদুদগী ফংলকপা শেনফমশিং অদুদগী লৌখৎপা য়াবগী মনিংতম্বা লৈগনি, মসিগী মতুংদা করিগুম্বা শেল নত্রগা পোৎ-চৈ লেম্লবদি, বেঙ্কনা চুন্নৈ খনবা মওংদা মদুবু পার্সেল তৌদুনা নত্রগা অতৈ খুদোংচাবা মওংদা হাইরর/শিংগী রেজিষ্টর তৌরবা লৈফমদা নত্রগা পে ওর্দর নত্রগা দিমান্দ ওইনা মহাক্কী/মখোয়গী রিস্ক অমসুং রেস্পোন্সিবিলিটিদা থাবা য়াই নত্রগা মখোয়বু রেন্ট পেএবল ওইবা অতোপ্পা লোক্কর নত্রগা ইন্টরেষ্ট পিরোইদবা একাউন্ট অমদা থম্বা য়াই। রেন্ট অদু চাং নাইনা পীরবসু, করিগুম্বা লোক্কর অদু চহি অমদগী হেন্না ওপরেট তৌদনা লৈরবদি, বেঙ্কনা মসিগী সোল দিস্ক্রিসন্দা লোক্কর অদুগী এলোটমেন্ট অদু কেন্সেল তৌবা য়াই অমসুং লোক্কর অদু হাংদোকপা য়াই।
17. পার্টি অমহেক্তনা অতোপ্পদুদা, য়ান্নখিবা ৱাইবগী মতম লোইবা তাংদগী পাদুনা নুমিৎ কুনথ্রানিগী মাংজৌনবা অইবা নোটিস অমা পীদুনা এগ্রিমেন্ট অসি টর্মিনেট তৌবা য়াই, অমদি হাইরর/শিংনা নোটিস অদুগী মতম লোইবা নুমিত্তা নত্রগা মদুগী মমাংদা লোক্করগী কষ্টমর কি অদু বেঙ্কতা সরেন্দর তৌগদবনি। এগ্রিমেন্ট টর্মিনেট তৌরবদি হাইরর/শিংনা মাংজৌননা পীখিবা এদভান্স রেন্ট অদু বেঙ্কনা রিফন্দ তৌরোই।
18. করিগুম্বা হাইরর/শিংনা অসিগুম্বা নোটিস অসি পীদ্রবা অমসুং কষ্টমর কি অদু হন্দোরক্রবদি, ৱাইবগী য়ানখিবা মতম অদু লোইবা তাংগী মতুংদা বেঙ্কনা পাম্বা মতুংইন্না লোক্কর বাইবদু শাংদোকপা য়াই, অদুবু ফিভম অসি বেঙ্ককী রাইটশিংবু মীচং-মীখায় নাইদনা শিজিন্নবা ওইগনি।
19. তঙাইফদবা নত্রগা অথুবা মথৌ তাবা মরমশিংগী ওইনদি, হাইরর/শিংদা মাংজৌননা পাউ পীবা তৌদনা বেঙ্কনা মথৌ তাই হায়না খনবা মতম পরিংগী ওইনা ভোল্ট অদু থিংজিনবা অমসুং লোক্কর অদু এক্সেস তৌবা য়াহন্দবা, নত্রগা হাইরর/শিংদা মখোয়গী লোক্করগী কন্টেন্টশিং অদু খুদক্তা লৌথোক্লবা খংহনবগী হক লৈ অমসুং প্রোভিজন অসি ইন্দবদগী থোরকপা ফল পুম্নমক্কী দায়ত্ব অদু হাইরর/শিংগী ওইগনি।
20. লোক্কর অদু ওপরেট তৌনবা ভোল্টকী থোং নত্রগা লোকশিং য়াদদুনা থেংথবদগী থোরকপা অকাই-অতোই নত্রগা অমাং-অতাশিংগী দায়ত্বসু বেঙ্ককী ওইরোই।
21. বেঙ্কনা লো কোর্টকী য়াথংশিং নত্রগা ষ্টেট্যুট অমহেক্তনা মখোয়দা পীবা শক্তিশিং শিজিন্নদুনা লোক্করবু থুগাইদুনা হাংদোকপা/ইনভেন্টরি লৌবা অমসুং/নত্রগা লোক্করবু অমসুং মদুদা য়াউবা কন্টেন্টশিংবু মীওই/শিং অমহেক্তদা পীবগী মপুংফাবা মনিংতম্বা লৈগনি অমসুং অসিগুম্বা থৌওংদা লোক্করগী কন্টেন্টশিংগী অমাং-অতা নত্রগা অতেক-অকাইগী দায়ত্ব অদু বেঙ্ককী ওইরোই।
22. হাইরর/শিংগী লৈফমগী অহোংবা অমহেক্তা লৈরকপদা হাইরর/শিংনা থিহ্বা তৌদনা বেঙ্কতা অইবা ওইনা পাউ খংহনগদবনি অমসুং বেঙ্কগী বুকশিংদা রেকোর্দ তৌরিবা হাইরর/শিংগী রেজিষ্টর তৌবা ওফিসতা বেঙ্কনা থাখিবা কম্যুনিকেসনগী নোটিস অমহেক্তবু মওং চুম্না ফংহনখ্রে হায়না লৌগনি।
23. এগ্রিমেন্ট অসি চৎনরিঙৈদা, লোক্করদা লৈবা কন্টেন্টশিংদা নোং, মৈ, ঈচাউ, য়ুৱারহাবা, অখাক-অরাউ, সিভিল কোমোসন, লান, রাইওট নত্রগা বেঙ্ককী কন্ট্রোলদা লৈতবা অতৈ মরম/শিংনা থোকহনবা অমাং-অতা নত্রগা শোকচিল্লকপা নত্রগা অকাই-অতোইশিংগী দায়ত্ব অদু বেঙ্ককী ওইরোই অমসুং হাইরর/শিংনা লোক্করগী মপান্দা পোৎ-চৈশিং কাউরম্বদগী থোকপা অমাং-অতা অমত্তগী দায়ত্বসু বেঙ্কনা লৌরোই।
24. বেঙ্ক অমসুং হাইরর/শিংগী মরক্তা লৈনবা মরি অদু হাইরর অমসুং হাইরগী ওইগনি অমদি বেঙ্কর অমসুং কষ্টমর অমগী ওইরোই হায়বসি শেংনা খংগদবনি।
25. হাইরর/শিংদগী লৌফম থোকপা শেন্দোন পুম্নমক্কী লিএন (Lien) ওইনা লোক্করদা লৈবা পোৎ-চে পুম্নমক বেঙ্কনা রিসিভ তৌরে অমসুং পাইশিল্লে অমসুং দ্যু লৈরিবা অদুবু পীথোক্রিবা শেনফম পুম্নমক্কী চান্নবা মওংদা অসিগুম্বা প্রোপর্টি নত্রগা মসিগী শরুক খরা য়োনবগী শক্তি বেঙ্কতা লৈগনি।
26. বেঙ্কনা মহৌশাগী ওইবা মাংজৌনবা চেক্সিন-থৌরাং পুম্নমক লৌখৎলবসু, করিগুম্বা মসিনা মতিক চাই খল্লবদি মসিগী এবসোল্যুট দিস্ক্রিসনগী মখাদা, লোক্করদা দিপোজিট তৌরিবা আইটেমশিংদা থোকপা অমাং-অতা নত্রগা অকাই-অতোই অমত্তগী লাইএবিলিটি নত্রগা রেস্পোন্সিবিলিটি লৌরোই। মরম অসিনা, হাইরর/শিংনা লোক্করদা দিপোজিট তৌরিবা মমল তাংবা আইটেমশিং অদু বেঙ্কতা ইন্স্যুর তৌনবা মখোয়গী ওইবা ইন্টরেষ্টতা পাউতাক পীরি।
27. হাইররশিংনা লোক্কর ৱাইবগা মরি লৈননা বেঙ্কনা মতম মতমগী ওইনা শেম্বা রুল অমসু রিগুলেসনশিং অদু হাইরর/শিংনা ইনগনি হায়না য়ারে।
28. হাইরর/শিংনা পীরিবা টর্ম অমসুং কন্দিসনশিং অসিদগী অমহেক্তা থুগাইবনা থোকহনবা মরমশিংদগী বেঙ্কতা থোকহনবা অমাংবা, অকাই-অতোই, শেল, চাদিং, এক্সন, প্রোসিদিংস পুম্নমক অদু বেঙ্কতা হজ্জিনগনি অমসুং বেঙ্কবু ইন্দেম্নিফাইদ ওইনা অমসুং মতম পুম্নমক্তা শাফনা থমগনি।
29. লোক্কর ৱাইবগা মরি লৈননা অমসুং মসিদগী থোরকপা ইসু পুম্নমক্কী ওইনা, পার্টিশিংনা ইন্দিয়াদা লৈবা মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী মুম্বাইদা লৈবা কোর্টশিংগী অকক্লবা জুরিসদিক্সন্দা ৱাখৈনগনি।
30. লোক্করগী এলোটমেন্ট মতমদা বেঙ্কনা মসিগী সোল দিস্ক্রিসন্দা লোক্কর রেন্টকী ওইবা পেমেন্টকী সেক্যুরিটি ওইনা জোইন্ট হাইরর/শিংদগী ফিক্স দিপোজিট লৌগনি। জোইন্ট হাইরর/শিংনা লোক্করগী রেন্ট পীরক্তবা থোক্লবদি হায়রিবা ফিক্স দিপোজিট অদু ফাজিনবা অমসুং লৌথোকপগী হক বেঙ্ককী লৈগনি।
31. এগ্রিমেন্ট অসিগী কোপি অমা ঐখোয়না ফংলে হায়না ঐখোয়না কনফার্ম তৌজরি।

## ওফিসনা শিজিন্নবখক্কী ওইনা

| খোমগৎলবা প্রো-রেটা রেন্ট (লুপা) | রিসিভ তৌবা নুমিৎ:<br><br>সি.পি.য়ুদা থাবা নুমিৎ: | ওথোরাইজ অমসুং ভেরিফাই তৌরিবা: | এস.দি.বি নম্বর: | খুৎয়েক(শিং) ভেরিফাই তৌরে (ইনিসিএলশিং): | লোক্কর কষ্টদিয়ানগী মমিং, খুৎয়েক অমসুং এমপ্লোয়ি কোদ | ব্রাঞ্চ মেনেজর/বেকঅপকী মমিং, খুৎয়েক অমসুং এমপ্লোয়ি কোদ |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |